# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ লারোঙ

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



মণিপুরীশিংগী অরিবা চৎনবী লাইশোন তিনশোন্দা শীজিন্নবা পান্বীশিংগী মনুংদা লারোঙ হায়রিবা পান্বী অসিসু অমনি। ঙসিদি লারোঙ পান্বী অসি ইউ-উশিল্লক্ত্রে হায়বা য়াই অমসুং নহাশিংনদি মশক ফাওবা খঙজিল্লক্ত্রে। লারোঙ হায়রিবা পান্বী অসি ফুট ১৫০ ফাওবা ৱাংবা নিংথমথাগী মতমদা উনা অদু য়াম্না কেনগনবা উজাউ মখল অমনি। ঐখোয়না পান্বী অসি লারোঙ কৌনবগী মরমদি লা (মনা) অদু য়াম্না পাক-চাউনা শাংবা অদু হেক য়েংবদা লফু পান্বীগী মনা (লা) মানবা অদুগা মনা অসিসু য়েংবদা পান্বী অদুদা লোংথোক্লগা পানবা মানবদগী লারোঙ হায়না কৌনখিবা ওইরমগনি। লারোঙ পান্বী অসি ইংলিসতা কর্মাল (Karmal) নৎত্রগা দোক টিক (Dog teak) নৎত্রগা নেপালি ইলিফেন্ট এপল (Nepali elephant apple), হিন্দিদা কর্মাল নৎত্রগা আগাই (Aggai) নৎত্রগা কাল্লাই (Kallai), টামিলদা নে-টি-টেক্কু (Nay-t-tekku), বেঙ্গোলিদা বন চলতা (Ban chalta), অসামিজ দা ওক্সি (Okshi) নৎত্রগা অক্সি (Akshi), খাসিদা দেং-শো-বার (Deng-soh-bar), মিজোদা কৈজাল (Kaihzawl), সংস্কৃটতা অকসিকিফাল (Akshikiphal) নৎত্রগা পুন্নাগা (Punnaga), নেপালিদা টনতারি (Tantari), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটাকিকেলগী ওইবা মমিংদা *দিল্লেনিয়া পেন্টাগাইনা (Dillenia pentagyna Roxb.)* নৎত্রগা *দিল্লেনিয়া ফ্লোরিবন্দা (Dillenia floribunda)* নৎত্রগা *দিল্লেনিয়া হাইনানেন্সিস মেরিল (Dillenia hainanensis Merril)* হায়না কৌই অমসুং দিল্লেনিয়েসি (Dilleniaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। লারোঙ পান্বীগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা জেনেরাগী মমিং দিল্লেনিয়া হায়বসি *জে জে দিল্লেনিয়স (JJ Dillenius)* হায়রিবা কুমজা ১৬৮৪দগী ১৭৪৭কী মতমদা হিংলম্বা অফাওবা বোটানিষ্ট অসিবু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মহাক্কী মমিং লৌদুনা থোনখিবনি অদুগা স্পিসিসকী মমিং পেন্টাগাইনা হায়বসিনা লৈ অদুগী ষ্টাইল মঙা (Penta) লৈবদগী থোনখিবনি।

মালেমগী ওইনা দিল্লেনিয়াগী মনুংদা স্পিসিস ৬০ লৈবগী মনুংদা থোইদোক-হেন্দোক্না হীদাক কান্নবা স্পিসিস ৯ অদুদি দিল্লেনিয়া ইন্দিকা (Dillenia indica -হৈগ্রী পান্বী), দিল্লেনিয়া পেন্তাগাইনা (Dillenia pentagyna), দিল্লেনিয়া এলাটা (Dillenia alata), দিল্লেনিয়া সুফ্রুটিকোসা (Dillenia suffruticosa), দিল্লেনিয়া সেরাতা (Dillenia serrata), দিল্লেনিয়া ওভাতা (Dillenia Ovata), দিল্লেনিয়া ফিলিপেন্সীস অসিনি। হায়রিবা অসিগী মনুংদা দিল্লেনিয়া ইন্দিকা অমসুং দিল্লেনিয়া পেন্টাগাইনা অসি ইন্দিয়া অমসুং মণিপুরদা হৌই।

লারোঙ হায়রিবা পান্বী অসি এসিয়াগী লৈবাকশিং মরু ওইনা ইন্দিয়া, ভুটান, ইন্দোনেসিয়া, হাইনান, য়ুনান, নেপাল, মলেসিয়া, ম্যান্মার, থাইলেন্দ অমসুং ভিয়েটনামদা হৌই। পান্বী অসি রেন ফোরেষ্ট হায়বদি নোং য়াম্না চুগনবা মফমমশিংদা লৈবা উমংশিং সমুদ্রগী ঈমাইদগী মিটর ৪০০গী মখাদা লৈবা মফমশিংদা হৌগল্লি। ইন্দিয়াগী মনুংদা লারোঙ পান্বী অসি হিমায়লগী হাইথরকপা থেলশিং, পঞ্জাব, অসাম, খা ভারত, অন্দমান, গুজরাট, মিজোরাম, মেঘালয়া, ৱেষ্ট বেঙ্গোল অমসুং মণিপুরগী মফমশিংদা হৌই।

বিজ্ঞান্না থিজিনবদগী ফংলকপা পাউদমগী মতুংইন্না লারোঙ পান্বীদা টৈনিন (Tannin) অসি চাদা ৬ য়াওই। Kaempferal, Quercetin, Isorhamnatin, Naringenin-7-galactosyl (1-4) glucoside, Lupeol, Betunaldehyde, Betulin, Betulinic acid, Mallic acid, β - sitosterol, Stigmesterol অসিনচিংবশিং অসি লারোঙ উগী মকুদা য়াওবগী পাউদমশিং লৈ।

লারোঙ পান্বীদা হীদাক্কী ওইবা মগুনশিং অসি থোইদোক্না শীংথানিংঙাইগী চাংদা য়াওই। অয়ুর্বেদগী অনা-লায়েংদা লারোঙ পান্বী অসি হকচাংগী শৌজথোং চেকখায়বা, অশোক-অপন তৌদুনা ঈ কা হেন্না থোকপা, দাইবেটিস হায়রিবা ঈশিং পুকচৎকী লায়না, ন্যুমোনিয়া, থোপকী ওইবা লায়নাশিং, প্ল্যুরিসি (Pleurisy) হায়রিবা থবোম্বী শাগত্তুনা চাকপগী লায়নাশিংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। লারোঙ পান্বীগী উগী মকু নৌতক তৌবা অদু শুগাইরগা ঈশিংদা পুং খরা তিংলগা চুমথোক্তুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা হকচাং চিকপা-নাবা তৌবা অদু লায়েংনৈ। হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু ঈশিং পুকচৎপা, ঈতোন ফায়বা অমসুং খোঙ হামথবদসু পীথক্তুনা লায়েংবগী পাউদমশিং লৈ। নোংপোকলোমগী লৈবাক খরদদি লারোঙ উ পান্বীগী উগী মকু অদু ফজনা কংহল্লগা তকখায়দুনা শেন্বা মকুপ (powder) অদু চিনি অঙাংবগা তোৎলগা শেন্বা মচল অদু নুপীশিংনা অঙাং উনরমদাইগী পুং খরগী মমাঙদা পীজহৌরবদি লেবর পেন (Labour pain) হায়বদি অঙাং পোকপগী চৈনা অদু শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থহনবা ঙম্মী হায়দুনা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না লারোঙ পান্বী উগী মকুপ অদু ঈশিং খরদা পুং ৫-৬ লোম তীংলগা লৌবা মহী অদুনা শমখোঙদা চাং নাইনা তৈবদা শম ফজনা হৌহনবা ঙম্বগী মথক্তা য়াম্না তোয়না কেনগনবা অদুসু ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়রি। য়াম্না পূক্লিং চিংশিন্নীংঙাই ওইবা পাউদম অমগী মতুংইন্না লারোঙ পান্বীদা য়াম্না শীংথানিংঙাই ওইনা এন্টি ট্যুমর (Dalton's lymphoma) হায়রিবা কেন্সর মখল অসি ঙাকথোকপা ঙম্বগী মগুন য়াওই।

লারোঙ পান্বীগী মনা অসি টসরগী মুগা তীল য়োকপদা মচিঞ্জাক ওইনা পীজনৈ। লারোঙ পান্বীগী উদগী শাবা কাংথোলদা তূমহল্লবদি মীনা হীকাপ-য়াইকাপ তৌরকপা অমসুং পোৎশেম জাদু তৌরকপদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়না মীওই কাঙলূপ খরনা শীজিন্নৈ। অদুগা ফমুং অদুদা তূম্বদসু মীওই অদুগী তুংদা থোরক্কদবা থৌদোকশিং মঙদা হান্না মঙফাওহনবা ঙম্মী হায়নসু থাজনৈ। মধ্য প্রদেশকী ভিন্দিয়াগী ত্রাইবেলশিংনা লারোঙ পান্বী অসি লক্ষ্মী লাইরেম্বীনি হায়না লৌনদুনা পুজা তৌনৈ। ●

## উ চারাশিং থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস):

ককচিং হায় স্কুল ১৯৮৪, মেট্রিক বেটচকী মহৈরোয়শিংনা কুমশি চহীগী লাংবন চাক্লেন (তর্পন উসব)কী অরোইবা নুমীৎতা ককচিংগী লৌয়াই লম্বীদা হৌবা খুমন খোংনাং হায়না খঙনবা লাইওইরবা খোংনাং পান্বী অসিগী নাক-য়েৎতা লৈ শাৎপা অমদি উহৈ পানবা উ চারাশিং থাদুনা লাংবন চরা তমখ্রে।

উ চারা থাবগী থৌরম অদুদা ককচিং হায় স্কুল ১৯৮৪, মেট্রিক বেটচকী মহৈরোয়শিংনা ককচিং পুৱারীবু চহী লিশিং কয়া উদুনা লাক্লবা লাইওইরবা খোংনাং পান্বী অসিবু লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিং অদুমক্কী খঞ্জদুনা কৎচবা তর্পনগী সর্দাঞ্জলিনি হায়না লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট এন মুনাল মৈতৈনা ফোঙদোকখি।

## চান-থক্নবা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৮ (ঐচএন এস): চীং-তম অমত্তনি, ঐখোয় ইচিল-ইনাওনি, অমনা অমগী মতেং পাংনগদবনি হায়বা মোতোদা সোসল এক্তিভিষ্ট অমা ওইবদা নত্তনা ফিলান্থ্রোপিষ্ট অমদি ওন্ট্রপ্রেন্যুর অমসু ওইরিবা ডা. এলিসন অবোনমৈ অমদি চীং-তম ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট এসোসিএসন মণিপুরনা পুন্না খুৎশম্নদুনা মণিপুরগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা খুঙ্গংশিংদা চয়োল খূদিংগী লেপ্তুনা চথরকপা তেংবাং পীবা থৌরমগী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসি ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তেন্থা তুৱাবন্দ খুঙ্গংগী য়ুমথোঙ ১০০ দা চেঙ, থুম অমদি লাইৱানচিংবা পোৎলমশিং তেংবাং পীখ্রে।

চীং-তম ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এন কুঞ্জেশ্বরী অমদি এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং লোয়ননা তেন্থাগী প্রধান নাওরেম প্রদীপ অমদি ক্লবকী মীওইশিংনা শরুক য়াখি। ডা. এলিসন অবোনমৈনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯গী অৱাবা মায়োক্নরিঙৈ মতম অসিদা কাঙলুপকী খেন্নবা থমদনা ঐখোয় অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা হেন্না নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

## ওনলাইন রাইম চাংদম্নবা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস):

আইদিএল য়ুথস এসোসিএসন (আই ৱাই এ) ককচিং ৱাইরিনা কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা অঙাংশিং লাইরিক তম্বা ফংলত্তবনা তৌফম খঙলত্তবা অসিদগী খরদা ওইরবসু কোক্নবা পীক্লিবা অঙাংশিংগী ওনলাইন রাইম চাংদম্নবা পাঙথোক্তুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা লান্থোকখ্রে।

এন রবি, ৱার্দ মেম্বর, ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৱার্দ নম্বর ১না স্পোন্সর তৌবা আইদিএল য়ুথস এসোসিএসনগী এরিয়াদা লৈবা পীক্লিবা মহৈরোয়শিংগী ওইনা পাঙথোকখিবা রাইম চাংদম্নবা অদুদা নাওরেম সেরিনানা অহানবা, নাওরেম তোমথিনঙানবা, নাওরেম ইনুংঙানবী অমসুং মোইরাংথেম মেলিন্দানা অনীশুবা অমদি জুদে শৌগাইজম অমসুং য়ুম্নাম মালেমঙানবীনা অহুমশুবা মনা ফংখি। মনা য়েন্থোকপগী থৌরমসু কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাকপা ওইনা আই ৱাই এগী থৌমীশিংনা ময়ুম য়ুমদা চৎতুনা য়েন্থোকখি। মনা য়েন্থোকখিবা অদুদা আই ৱাই এনসু উথাসি, উহিংহনসি হায়না চঙশিল্লক্লিবা কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা চম্প্রা চারা অমমমসু খুদোল তমখি।

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE
FOR
NEET(UG) ASPIRANTS - 2021
* 20 STUDENTS PER CLASS (ONLY EFFECTIVE OFFLINE CLASS)
* FREE STUDENTSHIP FOR MERITORIOUS STUDENTS (LIMITED SEATS)
Forms available @ Apollo Office.
FOR DETAILS :- Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.
HL-B/6389/ 19 Sept. to 3rd Oct.

### GOVERNMENT OF MANIPUR
### OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

## NOTICE OF OBJECTION

Imphal, the 18th Sept., 2020

**No. Prop/SR/IW/2019 :** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from Young United Development Association on 18/09/2020 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act. 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of Wakching Khullen (Govindagram) Mamang & Makha Leikai.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/ Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (AADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/ registration of propose society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complaint/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Associatoin/NGO/Organisation may be initiated/considered/ proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of SR Act. 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/ special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **P. Memi Devi**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/7550/17

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION OPEN
For
MEDICAL REGULAR COURSE
2020-21
Form & Prospectus available on website
www.cometcoaching.in
Free Studentship available
(Limited seats base on first come first serve basis)
Note: During lockdown period, online classes will be conducted and once lockdown is lifted, regular classes be resumed with proper S.O.P.
For details plz. contact : COMET office New Block, Kelshampthong Top Leirak Maning ,Airport Road
HL-B/6385/17, 19, 21 Sept.

PIS
P.I.S BRICK FIELD
(Mechanised)
Wangjing Sabal Chekon Leikai
Near Khongjom War Memorial Complex
P.O. Wangjing Dist. Thoubal
Pin-795148, Manipur
Contact: 9862048579 | 8787464898

| DISCOUNT!!! | | DISCOUNT!!! |
|---|---|---|
| 1st Class | ~~₹12.50~~ | ₹11.90 |
| 2nd Class | ~~₹12.00~~ | ₹11.40 |
| 1st Rej Class | ~~₹10.50~~ | ₹10.00 |
| P.T Class | ~~₹10.50~~ | ₹9.20 |
| 3rd Class | ~~₹6.00~~ | ₹5.50 |

LIMITED PERIOD OFFER
HL-P/7313/3/09 to 19/09 (alt)

### TOURISM CORPORATION OF MANIPUR LIMITED

REGD OFFICE : THE DIRECTORATE OF TOURISM,
NORTH A.O.C., IMPHAL,
IMPHAL WEST, MANIPUR, INDIA, 795001
CIN: U55209MN2016SGC013482

## NOTICE INVITING RETENDER

Imphal, the 17th September, 2020

**No. 02/02/2019 - TCML:** In pursuance of the approval conveyed by the Government vide letter No.27/18/2020-TSM dated 21.05.2020, and in continuation to the notification of even no. dated 21.05.2020 regarding the Notice Inviting Tender (NIT). The Tourism Corporation of Manipur Limited invites e-bids from intending reputed Firms/ Agency/ Company for Operation and Maintenance under PPP Mode of the following project:

| Sl. No. | Name of the project for PPP |
|---|---|
| 1 | Operation and Maintenance Of Yatri Niwas at Moreh, Manipur |

Detailed, Request for Proposal (RFP) document containing information on eligibility, dates and timelines, required formats etc shall be available in our website www.manipurtourism.gov.in and the Government website www.manipur.gov.in, www.manipurtenders.gov.infrom 18.09.2020 onwards.

Further, the bidding shall be online and all interested firms/Organizations and Companies etc shall apply the bid through online mode.

**Sd/- W. Ibohal Singh**
Project Director, TCML, Manipur

HL-B/6388/19

### GOVERNMENT OF MANIPUR
### DIRECTORATE OF VETY. & A.H. SERVICES

--------

## CIRCULAR

Imphal, the 15th September, 2020

**No. BVSc/TRG/2020-Vety. :-** It is hereby informed to all the interested / intending candidates that the Selection for undergoing B.V.Sc. & A.H. Degree Course at different Colleges of India for the academic session, 2020 - 21 as State Government Nominee(s) will be done from amongst the candidates appeared in the **NEET (UG) - 2020** held on 13th September, 2020 conducted by the National Testing Agency (NTA), based on merit. **Detailed information in this regard can be had from the Notice Board of this Directorate and departmental website www.vetymanipur.nic.in.**

Sd/- **H. Chaoba Singh**
Director,
Vety. & A.H. Services, Manipur.

HL-B/6383/17,19

### GOVERNMENT OF MANIPUR
### OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

## NOTICE OF OBJECTION

Imphal, the 18th Sept., 2020

**No. Prop/SR/IW/2019 :** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from Komren Baptist Churches Association on 17/09/2020 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act. 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of Salem Village, Tarung.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/ Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (AADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/ registration of propose society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complaint/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Associatoin/NGO/Organisation may be initiated/considered/ proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of SR Act. 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/ special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **P. Memi Devi**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/7549/19

ONLINE
DRAFTING & EDITING
* NO MORE WORRIES ABOUT WRITING IN ENGLISH
1. Application drafting and editing for all purposes.
2. Editing thesis for research scholars.
3. Editing articles for newspaper and magazines.
4. Drafting applications or representations.
5. Editing applications or representations.
6. Classes IX to XII home work and project work are also done to help students.
7. Translation from Manipuri into English.
** The above services are provided in English only through online.
For details please contact :
8974642764
Or write to :
phoenixrhymeschool@gmail.com
HL-B/6353/4/9-2/10 (alt)

ADMISSION OPEN FOR DEHRADUN
SCHOLARSHIP FOR NORTH-EAST STUDENTS
SPECIAL SCHOLARSHIP FOR GIRL STUDENTS & SON/DAUGHTER OF Defence Personnel

B. Sc. AGRICULTURE
B. Sc. FORESTRY
B. Sc. HORTICULTURE
B. Sc. MLT
B. Sc. MM (MEDICAL MICRO BIOLOGY
B. Sc. OPTOMETRY
BMRIT - (MEDICAL RADIOLOGY & IMAGE TECHNOLOGY
B. Sc. OT - (OPERATION THEATRE TECHNOLOGY)
BPT
DIPLOMA IN DIALYSIS
DIPLOMA IN OPTOMETRY
DIPLOMA IN X-RAY
DMLT
GNM
B. Sc. NURSING
B. Sc. FOOD TECH
B. A. MASS COMMUNICATION & JOURNALISM
BHM
BBA LL.B., BA LL.B.,
ENVIRONMENTAL SCIENCE
FISHERIES SCIENCE
BCOM. HONS.

BBA
B. Sc. IT, B. TECH, BE
B. Sc. Hons, ANIMATION & GAMING
B. PHARM, D-PHARM
B. PHARM, LATERAL ENTRY
B. Sc. HONS. PHYSICS
B. Sc. HONS. CHEMISTRY
BA. HONS. ENGLISH/PSYCHOLOGY
BACHELOR IN FASHION DESIGN
BCA, BCA CYBER SECURITY
M. Sc. AGRONOMY
M. Sc. FORESTRY
M. Sc. HORTICULTURE
M. Sc. MLT
M. Sc. SEED SC & TECH
MPT.
M. Sc. EVS
MBA (HR, IB MARKETING, FINANCE)
M. Sc. CHEMISTRY
M. Sc. CHEMISTRY
M. Sc. FOOD TECH
M. Sc. BIOTECHNOLOGY
M. Sc. FOOD NUTRITION DIETETICS
M. Sc. INDUSTRIAL CHEMISTRY
MA. ENGLISH
M. TECH

Sd/- WANGKHEI PUKHRAMBAM LEIRAK
CALL - 7085653886
HL-P/7488/4-19 (alt)

## /নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি


Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোন্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোন্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোন্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হান্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোন্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645

HL-B/6333/27/08-26/09